# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.029 | থাংজ, কালেন ৬ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, April 21, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লাইঙৌবীদা লৈবা সনামহি লাইনিং কনবা লূপকী অহানবা মপোক কুমওন নুমিৎতা অহল-লমনশিংদা খূদোল তন্বা



লামায় ৪

কংলৈপাক্কী নিংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায়-না পোন্থা পীখ্রবা মশক খঙহৌবা অমদি খঙহৌদ্রবা অথৌবা অথৌবী-শিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তন্বা



ইমোইনু ইমা কৈথেলদা পাঙথোকপা কংলৈ ইকনমিক দিভলপ-মেন্ট ওর্গনাইজেসন (কেদো)গী ১১শুবা মপোক কুমওন থৌরম



লামায় ৪

খুন্নাই অপূনবা বি কিপ্পিং এন্দ হনি প্রোসেসিং প্রদ্যুসর কম্পেনি লিমিটেদ-না শীন্দুনা জি পি রিমেন্স কোলেজদা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকপা



লামায় ১

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৭২.৩৩

**দীজল :** লিটরদা লুপা ৬৩.৫৭

## এক্স মিনিষ্টর সোর্সো লোর্হো লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ : হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর ওইরম্বা অমদি এন পি এফকী লুচিংবা সোর্সো লোর্হো ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিংদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৭৯ শুখ্রে। সোর্সো লোর্হো মণিপুর লেজিস-লেটিব ...মখা লামায় ৩ কলম ২



## ক্বা মনা থিংদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ : হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি পীখিবা য়াথং অমগী মখা তারকপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোন-মেন্টনা থা অসিগী ১৩ দা ক্বা মনা য়োনবা থিংনবা থোকখিবা ওর্দর অদু সস্পেন্দ তৌরে হায়রি।

# ‘হেলিকোপ্টর সার্ভিস মে ১৫ দগী লৈরগনি’

### চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পার্বুংদা অহানবা জিঞ্জর ফেষ্টিবেল কম বিজিনেস সমিট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা মে ১৫ দগী মণিপুরদা হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈরগনি হায়না সী এম, এন বিরেননা ঙসি টিপাইমুখ অমসুং থানলোনগী ১৩২/৩৩ কে ভি পাৱর সব-ষ্টেসনশিং মীয়ামদা শীন্নবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হেলিকোপ্টর সার্ভিস অসিদা চঙবা শেনফম সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণ-মেন্টনা পুথোকমিন্নগনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা চাদা ৭৫ অদুগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চাদা ২৫ পুথোক্কনি।

মহাক্না হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণ-মেন্টকী উরান স্কিমগী মখাদা অতোপ্পা পেসেঞ্জর হেলিকোপ্টর সার্ভিস অমসু থা ৬কী মনুংদা হৌরগনি। মসিগীদমক য়েংলগা থানলোন, পার্বুং, মোরে, তমেংলোং অমসুং জিরিবামদা য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা হেলিপেদশিং শেমগৎলগনি। মথং থা ফাওবগী মনুংদা হেলিপেদশিং শেমগৎননবা থিকা পীথোক্লবা তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং লোইশিল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন সিভিল এভিএসন মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা মঙোন্দা খঙহল্লক্লে।

মৈগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা মোলচামদা ৩৩/১১ কে ভিগী পাৱর সব-ষ্টেসন অমা হাংদোক্লগনি। থানলোন সব-দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরগীদমক তোঙানবা ১১ কে ভি পাৱর লাইন অমসু তিংলগনি।



মহাক্না মখা তানা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমসুং শান্নবুংনচিংবা শেমগৎকনি। মথং থাগী ১দা হৌদোক্কদৌরিবা খুঙ্গংদা চৎলু হায়বা স্কিম অসিদা মীয়াম্না মখোয়গী তঙাইফদবা লৈবশিং খঙহন্ননবা অমদি লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা পেন্দবা লৈবশিং নৎত্রগা পায়খৎহন্নীংলিবশিং অদু করিনো হায়বা খঙহল্লক্নবা আপিল তৌখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা পাৱর মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী খুঙ্গং পুম্নমক সোভাগ্য অমসুং উজৱালাগুম্বা স্কিমশিংগী মখাদা কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা মৈ ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি খুঙ্গং পুম্নমক চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা মৈ ফংহন্নবা থবক লৌখৎলি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, মণিপুর ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন বুংজাগিন বালটে, চীফ সেক্রেটরি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়া ইমপিচ তৌনবা ওপোজিসনা ভাইস প্রসিদেন্টতা নোটিশ পীশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সী): সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিশ (চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়া) ইমপিচ তৌনবগী নোটিশ অমা ওপোজিসন লীদর-শিংনা ঙসি খূৎয়েক পীদুনা ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুদা পীশিনখ্রে। সী বি আইগী জজ বি ঐচ লোয়াগী মীশিগী মতাংদা থিজিন্নবা তৌখিবা দিমান্দবু ঙরাং সুপ্রিম কোর্টকী জজ-মেন্ট অমনা রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুংদা ঙসিগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

পোলিটিকেল পার্টি তরেৎকী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন ৬৪ না ঙসি চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়া (সী জে আই)গী মায়োক্তা ইমপিচমেন্ট প্রোসিদিং চথনবা পীশিনখিবা নোটিশ অদুদা খূৎয়েক পীখি। পোলিটিকেল পার্টিশিং অদুগী মনুংদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া-মার্ক্সিষ্ট (সী পি আই-এম), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), সমাজৱাদি পার্টি (এস পি), বহুজন সমাজৱাদি পার্টি (বি এস পি) অমসুং মুস্লিম লিগকী এম পিশিং য়াওখি।

কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর কাপিল সিবালনা নোটিশ অদুদা সী জে আইবু ইমপিচ তৌবা য়াগদবা অরান-অহুইগী মরম মঙা পনখি। পার্টিশিং অদুনা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন ভেনকয়া নাইদুদা ইমপিচমেন্ট নোটিশ অদু পীশিল্লবা তুংদা সিবালনা হায়খি মদুদি, সী জে আই দীপক মিশ্রা লাকখিবদগী মহাক্কী থবক মতৌদা চিংনবগী ৱাহং কয়া হংনরকখি। মসি সুপ্রিম কোর্টকী জজ মরিনা হৌখিবা জন্যুৱারী ১২ দা কৌখিবা প্রেস কনফরেন্স অদুনা নীংথিনা উৎখি। জজ মরিনা পুখৎখিবা মরুওইবা ৱাফম-শিংগী মনুংদা অমদি লৈখায় তাখিদে।

সিবালনা ফোঙদোকখি মদুদি, সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংনা ফাওবা সী জে আইগী ওফিসকী থবক মতৌদা চিংনবা উৎলদুনা জুদিস্যারিগী নিংতম্বদা অকিবা পোকহল্লে হায়না ফোঙদোক্লরবা মতমসিদা লৈঙাক অসিনা করিমত্তা তৌদনা হৌজিকসু তুমিন্না লৈশিনগদৌরিব্রা?

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা হায়, ইমপিচমেন্ট নোটিশ অদুদা সাইন তৌরিবশিংনা নুংনাংবা পোক্লবদি দেমোক্রেসিগী চাং তাহনবগী ফীভম লাক্কনি। দীপক মিশ্রাবু সী জে আই হাপখিবদগী মহাক্না অকক্নবা কেস খরা দিল তৌবগী মওংদা চিংনবা ৱাহংশিং হংনখি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা দেমোক্রেসিগী য়াঙলেন শরূ ওইরিবা জুদিস্যারিবু কন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি ইমপিচমেন্টনি হায়না মখা তাখি।

ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদু উনদ্রিঙৈগী মমাংদা রাজ্য সভাদা ওপোজিসনগী লীদর ওইরিবা ঘুলাম নবি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা লম শীন্নবগী থবক এপ্রিল ২৪ দা লোইশিল্লসি : লোকেশ্বর

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস): সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা লম শীন্নবগী তঙাইফদবা থবক পুম্নমক মরী লৈনবা ওফিসলশিং য়াওনা থা অসিগী ২৪ দা লোইশিনমিন্নরসি হায়না এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা এম এল এ লোকেশ্বরগী ক্বার্টরদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, লমগী চয়েৎনবা লৈবদগী সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাদবনি হায়না ফোঙদোকপা ৱাফম য়ানিংদে। মীয়ামদা চমম্নবা পোকহনবা হোস্পিটাল অসিগীদমক তঙাইফদবা লমশিং পাট্টাদারশিংনা য়ানদুনা পীদুনা লৈরে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শারকপদা অহেনবা লমগী তঙাইফদবা লাক্লবসু কথোকচগে হায়না হান্ননা ফোঙদোক্তুনা লৈখ্রবনি। থা অসিগী ২৪ দা ওফিসলশিং য়াওনা ফিল্ডদা চৎলগা লম শীন্নবগী তঙাইফদবা প্রোসেসশিং অদু লোইশিনমিন্নরসি। লম কৎচগে হায়না মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংদসু চে ইবা লৈখ্রে। থা অসিগী ২৪ দা ওফিসলশিং অমদি মরী লৈনবা খূদিংমকসু লাকপীরো। লম কৎখ্রবা মপূসু মফম অদুদা ঙাইদুনা লৈরম্লগে। মখা লামায় ৩ কলম ৪



অসিগুম্বা ৱাফম অসি লাইবক থীবনি। সগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী লমগী চয়েৎনবা করিসু লৈতে।

## হয়িংখোই য়োকপগী মতাংদা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচ এন এস): খুন্নাই অপূনবা বি কিপ্পিং এন্দ হনি প্রোসেসিং প্রদ্যুসর কম্পেনি লিমিটেদনা শিন্দুনা কে ভি আই সি হনি মিসনগী মখাদা খোই উপু লিশিং ১ বিনিফিসরি অমদা খোই উপু ১০/১০ য়েন্থোক্লবগী নোংমগী ওইবা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম কম ৱার্কশোপ ওন সাইন্টিফিক বি কিপ্পিং ঙসি জি পি রিমেন্স কোলেজদা পাঙথোকখ্রে।

কে ভি আই সি ইম্ফালনা স্পোন্সর তৌদুনা জি পি রুমেন্স কোলেজগী কেরিয়র ওরেন্টেদ কোর্স ইন বি কিপ্পিংনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইবোমচা নিংথৌজম, সাইন্টিফিক ওফিসর ডিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, সালে পাও ডিরেক্টর কে ভি আই সি ইম্ফাল, আর কে তম্ফাসনা প্রিন্সিপাল জি পি রুমেন্স কোলেজ, পুখ্রম্বম নরেন্দ্র প্রিন্সিপাল রাধা এপিয়ারি বি কিপ্পিং ট্রেনিং ইন্সট্যিুট, দল্লিয়ু সোমরাজ মেনেজিং ডিরেক্টর ক্রেজেন ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এক্সিদেন্টতা মমা-মপা লৈখিদ্রবা অঙাং ২দা লিসনা ফাউন্দেসনা শেলগী তেংবাং পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) : মপুরোইবগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পুদুনা লাকপা ওটোরিক্সো অমদা ট্রক অমনা থোমজিনবদগী মচানুপা অমগা মমাগা লৈখিদ্রবা তুংদা হিংহৌরিবা মরাইবক থীরবা অঙাং অনীদা লিসনা ফাউন্দেসনা ঙসি লুপা ১০,০০০গী শেনফম তেংবাং ওইনা পীখ্রে।

ইম্ফালগী সেগা রোদ কোঞ্জেং হাজারি লৈকায়দা লৈবা লিসনা ফাউন্দেসনগী থৌমীশিংনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম সেকমাইদা লৈবা হিংহৌরিবী নুপীমচা অনী অদুগী ময়ূমদা চৎতুনা শেনফম অদু খূৎশিন্নখি।

লৈকায়গী মীয়াম্না শেম্বা কম্মিটি অমনা অঙাং অনী অদু হৌজিকমক্কী ওইনদি য়েংশিল্লি অমসুং মীয়াম্না তেংবাং ওইনা কৎলরবা শেনফমশিং অদু কম্মিটিনা লৌশিল্লগা অঙাংশিং অদুগী তুংগী পূন্সিগীদমক বেঙ্কতা থম্ননবা থৌরাং তৌরি হায়না কম্মিটিনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

তাবদা তু চুংলবা অমসুং য়াম্না নুংঙাইতবা ...মখা লামায় ৩ কলম৪




HL-B/4561/7/04-8/05

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৮.৪৬ °C | ১৮.৪৯ °C |
| চান্দেল | ৩২.৮৮ °C | ১৭.৮২ °C |
| সীসীপুর | ৩০.১১ °C | ১৮.১০ °C |
| ইম্ফাল | ২৯.০১ °C | ১৭.৮৪ °C |
| সেনাপতি | ২৫.৬৫ °C | ১৩.২৫ °C |
| তমেংলোং | ২৯.২৬ °C | ১৬.৩৮ °C |
| থৌবাল | ২৮.২৮ °C | ১৭.৬৪ °C |
| উখ্রুল | ২০.০০ °C | ১২.৬৬ °C |
| মণিপুর | ৩২.৮৮ °C | ১২.৬৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৮২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৯
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 81.306268 |
| US Dollar | 66.178836 |
| British Pound | 92.874775 |
| Australian Dollar | 50.764728 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.510324 |
| Japanese Yen | 0.615026 |
| Malaysian Ringgit | 16.978094 |
| Norwegian Krone | 8.458757 |
| Singapore Dollar | 50.303094 |
| South Korean Won | 0.061752 |
| Swedish Krona | 7.834723 |
| Turkish Lira | 16.291249 |
| Myanmar Kyat | 0.05010 |
| Bangladesh Taka | 0.79704 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32032.09 |
| Mumbai | – | Rs 32727.27 |
| Delhi | – | Rs 32620.32 |
| Kolkata | – | Rs 33037.43 |

## HL POLL

Q : Private school singda sotthahouraba emunggi angangsing gi ming channaba seat khakpa yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipur leingakna Kwa mana, zarda pushillakpa, yonba thingba ngamgani haina loubra?

Yes 15% No 85%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অস! লোইরেহে!

নঙনা মীতৈ ওল্লগা ঐখোয়দা করি কান্নদৌরিবা হা...!



মীতৈ মশীং হেনগৎলবনি ফৎত্রো!




HL-B/3271/11/04-21/04




HL-B/4578/21